বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস খায়দোক্তুনা চেঙ য়েনবদগী শাউনরক্তুনা প্রধানদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী পোল্লিং নম্বর ৩৪/৩৭ ফুন্দ্রে অৱাং লৈকায়গী চেঙগী এজেন্টনা ঙসি অয়ুক চেঙ অমসুং হৱাই য়েনবদা মীচঙ মীখায় নাইনা য়েল্লে। বি জে পিবু শৌগৎপশিংদনা চেঙ কেজি ১০/১০ অদুগা কোংগ্রেসপু শৌগৎপশিংদনা চেঙ কেজি ৫/৫ পীরক্লে হায়দুনা খোয়শাউনরবা মীয়াম্না লংথবাল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি রৌসনকী য়ুমদা চেঙ, হৱাইশিং অদু পুশিন্দুনা থল্লগা ৱাকৎখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রধানগী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম দি অব্দুল কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, ফুন্দ্রে অৱাং লৈকায় পোল্লিং নম্বর ৩৪/৩৭ গী এজেন্টনা ঙসি মহাক্কী য়েনফম থোকপা চেঙ অমদি হৱাই য়েনখিবা অদুদা মী অমগা মী অমগা চাকথুং মান্ননা পীবীদ্রে। য়েনবা মতমদা মফম অনী থোক্লা য়েল্লমখি। মফম অনী থোক্লা করিগী য়েল্লিবনো হংলুবদা মফম অমনা বি জে পি শৌগৎপশিংগীনি হায়রকখি অদুগা বি জে পি শৌগৎপদনা চেঙ কেজি ১০/১০, কোংগ্রেস শৌগৎপশিংদনা চেঙ কেজি ৫/৫ পীবীরে হায়খি।

চেঙ য়েনবীবদা অচান মীরাই নাইনা য়েনবীরিবা অসি করিগীনো, কোভিদ-১৯গী পীফম থোকপা হান্না পীরম্বা চেঙশিং অদুসু লোইখ্রবা হায়না হংলদুনা পীরিবা অসি নফসাগী চাকথুং নত্তব্রা, হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অচুম্বা ৱায়েল তৌবীয়ু হায়খি।

হমিজাল বেগম কৌবী চেঙ লৌরুবী অমনা ফোঙদোরকপদা, চেঙ চাক য়েনবীবদা ইচা-মীচা নাইবীবসি পামজদে। এজেন্টনা য়েল্লিবা চেঙ অসি এক্স-এম এল এগী পোকেক্তগী পীবনি হায়বীরে হায়রদুনা মথং চহীদগীদি বি জে পিগী মীদা চেঙ পীগনি, কোংগ্রেসতা চেঙ পীরোই হায়বীরে হায়খি।

চেঙ য়েনবদা কোংগ্রেসকা বি জে পিগগীনি হায়দুনা অনী থোক্লা পীবা অমদি অৱাবা মতমসিদা ইচা-মীচা নাইনা থবক তৌবীবসি পামদে। চপ মান্নবা মীৎয়েং অমদা থম্বীবা পাম্মী। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীংয়ু হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা লংথবাল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি রৌসননা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক্তি মীওই খরনা মহাক্কী মফমদা কমপ্লেন্ট অমা লাক্লবনিনা চেঙ য়েল্লিবা অসি মহাক্না য়ু সী পীদুনা য়েল্লিবনিনা মতৌ করম্না য়েল্লিবনো, কাঙলোন চুম্না য়োল্লিব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লগনি। পোলিটিক্সনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা কাঙলোন চুম্না য়েনবীগদবনি। নুংশিবা মীবুনা চেঙ পীবা, নুংশিদবনা পীরোই হায়বা অসিসু অচুম্বা কাঙলোন নত্তে। চেঙ য়েনফম অমদা অনী থোকনা পীদুনা হন্থবা মীৎয়েং য়েংবীবসু চুমদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মীতৈগী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা য়েখায় থিনগাইবা থবক চখরকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম থমখ্রে : কে কে এল

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)গী ময়াই লোয়শঙদা ফমখিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা ফুরুপ খূদিংমক্কী অপূনবা মীফম অমদা লূপ অসিগী মায়কৈদগী মীতৈ লাইফমশিংদা অমুক হন্না মীতৈ চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা য়েখায় থিনগাইবা থৌরম মতুংদা অমুক হন্না চখরকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম থমখ্রে হায়না কে কে এলগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈ ঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অদুদা চেম্বর ওফ কমর্স, সনাতন মন্দির, বেঙ্গেলি সমাজ, হিন্দুষ্টানি সমাজ, থাকুর বারি মন্দির অমদি জেন কম্যুনিটি হায়রিবা লূপশিংনা শরুক য়াখি। পুৱারীগা শাগোন্ননা লাক্লবা লম্বু নিংথৌ নৎত্রগা কৈথেল লাইরেম্বা হায়নসু খঙনবা লাইফম, থোং নম্বোলবীদা লৈরিবা অসিদা মখা তানা মওং মরিল চাদবা মওংদা পোৎ কৎশিনবা অমদি লাইনিং-লাইশোন অতোপ্পগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা মখা তানা তৌবা য়াররোই। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা অমদি মীতৈ ফুরুপনা হৌরকঙৈদগী লৈরক্লবা লাইফম খূদিংমক্তা অতোপ্পা লাইনিংগী পোৎয়ান য়াওশিল্লকপা অমদি মীতৈগী লাইনিং-লাইশোনগা চান্নদবা মওংদা হাপচিল্লকপা অসি মখা তানা তৌবা য়ারোই। মমাংঙৈ লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী লাইফম্লেনশিংগী মমিংশিং মীতোপ মিং থোঞ্জিল্লকপা ময়াম অসি খুদক্তগী হান্নদগী লৈজরল্লিবা মীতৈগী অশেংবা লাইফম অদুগী মমিংদা ওন্থোকপীনবা মণিপুর লৈঙাক অমদি মীয়ামদা আপিল তৌজরি।

মণিপুরদা মমাংঙৈদগী পাল্লম্বা নিংথৌশিং অমদি অখণ্ড-অহৈশিংনা মফম খূদিংমক্কী মমিং থোনবীরম্মী। মসিমক ঙসিগী মীরোলনসু ঈকায় খুম্ন বগা লোয়ননা হায়রিবা মিংথোলশিং অসি শীজিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিদি মীতোপ-মীয়ানচাশিং অমদি চীংমী ইচিল-ইনাওশিংনা খুন্দা লৈতাশিন্দুনা নৌনা মমিং কয়া থোনজিল্লকপা অসিনা মণিপুরগী শক্তম মাঙহল্লি। ঙসি মণিপুরদা চীংমী-তম্মী পুন্না খুন্দারিবা অসিমক লাইওইখ্রবা নিংথৌশিংদুগী মপালননি। কে কে এলনা অৱাংবা থাক্তা হায়রিবা থৌওং অসি য়ানিংদে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং থম্বীরগা নিংথৌশিংনা থম্বীরম্বা মমিংশিং অদুদা অমুক ওন্থোকপীয়ু। হায়রিবা দিমান্দ অসি মণিপুর লৈঙাক্লা ওন্থোকপীরক্ত্রবদি কে কে এলনা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লগনি। মণিপুরগী অপূনবা লমগী চাদা ৯২দি চীংগী লমনি। অদুগা চাদা ৮না তমগী শরুকনি। মসিদা খুন্দা লৈতারিবা য়েলহৌমী নত্তনা মীতোপতা লম য়োনবীগনু। য়েলহৌমী কনসি হায়রবদি মণিপুরগী লম খূদিংমক মীতোপতা য়োনবা খুদক্তগী লেপ্পসি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী মফমশিংদা মীতোপনা খুন্দা লৈতাশিল্লকপা, মন্দির শাজিল্লকপা অমদি মখোয়গী ওইবা মরোলদা লমগী মমিং থোনজিল্লকপা ময়াম অসি খুনগী নিংথৌ, ভিলেজ চেয়রমেন, খুল্লাকপা অমদি ভিলেজ চীফশিংনা অয়াবা পীবীগনু অমসুং খুদক্তা লেপ্পীয়ু। মসিনা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংদা অকায়বা লাকহল্লকপা য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মেঙ্গলোর য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকপা এগজামিনেসনশিংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা অখন্ননা মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ঐচ ক্যু ঘড়ীদা শীনখিবা এগজামিনেসন সেন্টরদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

এগজামিনেসন সেন্টর অসিদা বেঙ্গলুরু য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা এফিলিএট তৌবা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংগী মহৈরোয় ৬০ রোম্না অন্দর গ্রেজ্যুএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যুএট কোর্সশিংগী ফাইনেল ইয়র এগজামিনেসনশিংদা শরুক য়াগনি। ঙসি অহানবা নুমীৎতা মহৈরোয় ১৫না তোঙান তোঙানবা কোর্সশিংগী এগজাম মায়োক্লখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্লা মরম ওইরগা মেঙ্গলোর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিএট তৌবা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা মহৈ তম্লিবা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী খুদোংচানবগীদমক এগজামিনেসন সেন্টর অসি লৈঙাক্লা শীনবনি হায়খি।

জননেতা ইরাবতকী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম চহী ১ চুপ্পা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : জননেতা ইরাবতকী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হন্দক্কী সেপ্তেম্বর ৩০দগী হৌরগা কুমজা ২০২১গী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা চহী ১ চুপ্পা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা পাঙথোক্কনি। লৈঙাক্লসু ষ্টেট ফঙ্কসন লাউথোকখ্রবনিনা ১২৫শুবা কুমওন থৌরমগীদমক ষ্টেট লেভেল কম্মিটি শেম্বীয়ু হায়না জননেতা হিজম ইরাবত বার্থ দে সেলেব্রেসন কম্মিটিগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদারক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কুমওন থৌরম অসিগী মনুংদা জননেতা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্কী মরমদা পাক শন্না খন্ন-নৈনবা অমদি লেকচর পাঙথোক্কনি। লাইরিক ফোঙবা, শান্ন-খোৎনবা অমদি হীরম কয়াদা অথোই-অহেন তান্নবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা মনা-মথুম পীবগী থৌরমশিংসু য়াওগনি।

জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌদোকপগী থৌরম সেপ্তেম্বর ৩০ অসিদি কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা জননেতা ইরাবতকী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়া শাগোন্নদুনা লাক্লবা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা লুচিংবা অসিগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা অচম্বা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্কনি। জননেতা ইবরাতকী ১০০শুবা মপোক কুমওনগী মতমদগী লেপ্তুনা শান্নদুনা লাক্লবা এম দি য়ুনা পুথোকপা লময়ানবা ইরাবত হন্দক্তি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা উৎচররোই। অদুবু জননেতাগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপদি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল ১ ফাওবা চত্থগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট টি বি সেন্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ু দি সি ওইনা থবক তৌরম্বী মালোম ময়াই লৈকাইদগী নোংমাইথেম ওংবী মোইরাংথেম নুংশিবীনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১০দা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দিষ্ট্রিক্ট টি বি সেন্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী ষ্টাফশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসারনা থৌরম মপু ওইরগা লম্ফেলপাটকী সনাকৈথেলদা লৈবা ওফিসতা ষ্টাফ পুম্নমক্না মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না তাইবং মপুগী খুয়াদা ঈংনা চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

হিন্দী দিবস থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালনা শীন্দুনা একাদেমী অসিগী ওদিটোরিয়মদা হিন্দী দিবসকী থৌরম সেপ্টেম্বর ১৪ দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্টর ইন-চার্জ পি বিলাস, প্রধান গুরু আর কে নবিন্দ্র, হিন্দী টিচর্স ট্রেনিং কোলেজগী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল এম অচৌবী, কোলেজ অসিমক্কী রিটয়ার্দ প্রোফেসর কে ইবোহল অমসুং মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী সেক্রেটরি এ ব্রজকুমার শর্ম্মনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী সেক্রেটরি অনন্দ কুমার অমসুং সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী সেক্রেটরি ডা. রিতা স্বামি চৌধুরিনা হিন্দী দিবসকা মরী লৈননা পাউজেলশিং পাথোকখি। থৌরম অদু মীওই ৪০ রোম্না শরুক য়ারগা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱর্কর সোরাইশম ওংবী কেবিনা তেংবাং পীদুনা লাকপগী মখা চখরকপা ওইনা ঙরাং হৈনৌ খোংনেম্বী কোঞ্জেং লমদোং মখা লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

তেংবাংখিবা অদুগা মরী লৈননা সোসল ৱর্কর সোরাইশম কেবিনা হায়খি, তমথিরবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা পীরকপা শাফু কয়ানা ঙসিদি মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। এ সী অসিগী মীওই কয়াসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা মফম কয়া লাউথোক্লি। কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা এ সী অসিগী মফমশিংদা লৈরিবা য়ুমশিংগী মীওইশিংনা য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদবা অমদি মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়াদা অঙম্বা তেংবাং পীগনি। এ সী অসিগী এম এল এ লৈতবনা হৌজিক মপী-মপা লৈতবা নাওরিয়া পাখংলাকপা হায়বদু ওইরে। মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা এম এল এ লৈতবনসু হেন্না অৱাবা হায়বদু মায়োক্লহল্লে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংবীয়ু। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেনিটেসন দ্রাইভ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা সী আর পি এফকী ১০৯শুবা বট্টালিয়ন্না একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) ওফিস অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা সেনিটেসন দ্রাইভ চত্থবগা লোয়ননা ফোগ্গিং তৌখ্রে হায়না সী আর পি এফকী ১০৯ শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সী আর পি এফকী ১০৯ শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্টকী টু আই সী উজালদট্ট অমসু এদজুটেন্ট রাজিবকী পাউতাক মতুংইন্না সিক্যুরিটিগীদমক এ জি ওফিসতা এ/১০৯ প্লেটুন অমা দিপ্লোয় তৌরি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা সেনিটাইজেসন দ্রাইভ চত্থবগা লোয়ননা ফোগ্গিং কাপথোকখিবনি।

লৌশিং পুক্কে

থাইরোইদ গ্লান্দদা ইনফ্লেমেসন তৌবগা এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিংগা মরী লৈনরম্লে : ষ্টদি

এঞ্জাইটি লায়েংনবগী হীদাক লাংথকশিংনা নর্বস সিষ্টমদা টার্গেট তৌরগসু অনৌবা ষ্টদি অমনদি এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিং অসি ইন্দোক্রাইন সিষ্টমদগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

মীওই অয়াম্বা মতম মতমগী ওইনা এঞ্জাইটিগী খুদোংচাদবা মরক মরক্তা অদুম্মক থেংনৈ।

অদুমওইনমক মীওই কয়া অমগী মফমদদি এঞ্জাইটি হায়বসি খঙহৌদনা য়াম্না কন্না হৌরকপা, য়াম্না তোয়না অহৌবা নাইবা অমদি লেপ্পা নাইদনা থেংনদুনা লৈবা পুন্সিগী ক্বালিটিদা চৈথেং পীবা ইমোসনেল ষ্টেট অমনি। মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ২৬৪ রোম এঞ্জাইটি দিসওর্দরগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টমদা টার্গেট তৌবা এন্টিএঞ্জাইটি মেদিকেসনশিং অসি শীজিন্নবদা কান্নবা ফংলগসু হীদাকশিং অদুনা পর্মনেন্ট ওইনা অনাবা অদু ফহনবদি কয়া ঙমদ্রি।

অনৌবা ষ্টদি অসিনা এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিং অসি হকচাংগী ইন্দোক্রাইন সিষ্টমনা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙম্লক্তবদগী ওইরকপা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

ষ্টদি অদুগী রিজল্টনা থাইরোইদ গ্লান্দদা ইনফ্লেমেসন তৌবগা এঞ্জাইটি দিসওর্দরশিংগা মরী লৈনৈ হায়না উৎলি, মসিনা অনৌবা লায়েং পথাপ অমা সজেষ্ট তৌরি।

রিসার্চরশিং অদুনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন এন্দ ইন্টর্নেসনল কনফরেন্স ওন ওবেসিটিদা প্রজেন্ট তৌখিবনি। রিসার্চ অসি য়ুক্রেনদা লৈবা কীয়ব সীতি ক্লিনিকেল হোস্পিটালগী জুলিয়া ওনোফ্রিচকনা লুচিংখি।

জুলিয়ানা হায়, 'এঞ্জাইটিদা ইন্দোক্রাইন সিষ্টমনা য়াম্না মরুওইবা রোল অমা লৌরম্বা য়াই হায়বদু ফাইন্দিংশিং অসিনা উৎলি। এঞ্জাইটিনা নাবা মীওইশিং লায়েংবদা দোক্টরশিংনা নর্বস সিষ্টেমগা লোয়ননা থাইরোইদ গ্লান্দ অমদি ইন্দোক্রাইনগী অতৈ শরুকশিংবুসু নীংশিংগদবনি।'

থাইরোইদ গ্লান্দনা মরুওইবা হোর্মোন অনী হায়বদি, টি ৪ (থাইরোক্সিন) অমদি টি ৩ (ট্রাইআইওদোথাইরোনিন) পুথোকই। হার্ট অমসুং মসল ফঙ্কসন মেন্টেন তৌবদা, দাইজেসন, ব্রেন দিভেলপমেন্ট অমদি বোন (শরু) হেল্থকা হায়রিবা হোমোর্ন অসিগা মরী লৈনৈ।

টি ৪ অমসুং টি ৩না এদ্রেনেলিন অমদি দোপামাইন হোর্মোন পুথোকই অমদি রেগ্যুলেট তৌই। এদ্রেনেলিন অসি ফাইট-ওর-ফ্লাইট হোর্মোন হায়গসু খঙনৈ। দোপামাইন অসি ব্রেনগী প্লিজর অমদি রিৱার্দ হোর্মোননি, মসি হেনমল্লগসু ৱাৎমল্লগসু মীওই অমগী ৱাখল নুংঙাইনা লৈবগী ফিভম অমদি জজমেন্টকী ক্বালিটিদা এফেক্ট তৌই।

থাইরোইদ গ্লান্দগী ইনফ্লেমেসন অসি হকচাংনা শেরান্ননা গ্লান্দ অসিবু পামদবা পোৎশক অমা ওইনা টার্গেট তৌবা মতমদা ওইরকই। অসুম তৌবা মতমদা হকচাংনা গ্লান্দ অসিদা এটেক তৌবা এন্টিবোদিশিং পুথোকই। হায়রিবা এন্টিবোদিশিং অসিনা থাইরোইদপু মাঙ তাকহন্দুনা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমহন্দবা য়াই।

ওনোফ্রিচুক অমসুং কলিগশিংনা নুপা ২৯ অমদি নুপী ২৭পু ষ্টদি তৌখি। মখোয়শিং অদুগী এভরেজ ওইবা চহীনা মথংশিংনা ৩৩.৯ অমদি ৩১.৭ ওইখি। দোক্টরশিংনা হায়রিবা মীওইশিং অসিদা এঞ্জাইটি দাইগ্নোজ তৌখি অমদি মখোয় লোয়নমক অসি এঞ্জাইটি এটেক থেংনখ্রবা ঙাক্তনি।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা অল্ট্রাসাউন্দ শীজিন্নদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী থাইরোইদ গ্লান্দ এগজামিন তৌখি। লোয়ননা মীওইশিং অদুগী টি ৪ অমদি টি ৩ সু মিজর তৌখি।

মদুদা এঞ্জাইটি দিসওর্দরগী অনাবা লৈবা মীওইশিংগী থাইরোইদতা ইনফ্লেমেসন তৌবগী খুদম থেংনখি। মীওইশিং অদুদা থাইরোইদ এন্টিবোদিশিং য়াওরম্বসু থেংনখি।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী থাইরোইদ গ্লান্দশিং অদু ইনফ্লেম তৌরবসু মখোয় অদু অদুক হাক্লা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদবদি ওইরমদে। মখোয়গী টি ৪ অমদি টি ৩গী লেবেলশিং খরা খজিক ৱাংখৎলম্মী অদুবু নোমের্ল রেঞ্জগী মনুংদি চল্লম্মী।

ইনফ্লেমেসন তৌরিবা অসি লায়েংনবগীদমক রিসার্চরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিংদা আইব্যুপ্রোফেন অমদি থাইরোসিন নুমিৎ ১৪নিগী কোর্স অমা পীরম্মী। অসুম্না লায়েং চথবা মতমদা থাইরোইদ ইনফ্লেমেসন অদু মায় পাক্লা হন্থহনবা ঙমখি।

রিসার্চরশিং অদুনা তৌবা টেষ্টকী মতুংইন্না মীওইশিং অদুদা ইনফ্লেমেসনগী খুদোংচাদবা অদু ফখিবগা মীওইশিং অদুদা লৈরম্বা এঞ্জাইটিগী লেবেল হন্থরকপা থেংনখি হায়রি।

অতোপ্পা রিসার্চশিংনদি এদ্রিনেল গ্লান্দগী হোর্মোনশিংগী ইনফ্লুয়েন্স অদু থেংনখিবা তারবসু রিসার্চশিং অদুনা সেক্স অমদি এদ্রিনেল গ্লান্দগী হোর্মোনশিংনা এঞ্জাইটিদা করি থৌদাং লৌবগে হায়বদু থিজিনখিদে। অদুবু মদু ওইদুনসু অনৌবা ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অসিনা মরম ওইরগা এঞ্জাইটিনা নারবা মীওইশিংদা অনৌবা থাজবা অমদি পীরে।

এঞ্জাইটিগী লায়েং চথবা মতমদা ইন্দোক্রাইন সিষ্টমনা লৌবা থৌদাংবুসু খন্নরগদি লায়েং অদু হেন্না ইফেক্টিব ওইবা য়াই। এঞ্জাইটি হায়বসি সেন্ট্রেল নর্বস সিষ্টেমখক্তংগী দিসওর্দর অমা নত্তে হায়না অনৌবা ষ্টদি অসিনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌজিকফাওবগী ওইনদি ষ্টদি অসি প্যির রিভিয়ু তৌদ্রি অমদি মেদিকেল জর্নেলদা পব্লিস তৌদ্রি।

লোয়ননা ষ্টদি অসি য়াম্না পীক্লা চথবনি, মরম অদুনা ৱারোইশিন অমা পীদ্রিঙৈ মমাঙদা ফাইন্দিংশিং অসি সাইন্টিষ্টশিংনা লার্জ-স্কেল, প্লসিবো-কন্ট্রোল্ড ষ্টদিশিংদা রেপ্লিকেট তৌবা মথৌ তাগনি।

মথংদা রিসার্চরশিং অসিনা এঞ্জাইটি দিসওর্দরদা ইন্দোক্রাইন সিষ্টেমনা লৌরিবা রোলগী মতাংদা হেন্না পাক-চাউবা ইনভেষ্টিগেসন অমা তৌনবা থৌরাং তৌরি। এঞ্জাইটি দিসওর্দর অমদি থাইরোইদ গ্লান্দ ইনফ্লেমেসনগী দাইগ্নোজ তৌরবা মীওইশিংদা সেক্স অমদি এদ্রিনেল গ্লান্দ হোর্মোনশিং (ইষ্ট্রোজেন, টেষ্টোইষ্টেরোন, কোর্টিসোল, প্রোজেষ্টেরোন অমদি প্রোলেক্টিন য়াওনা)না করম্না ইনফ্লুয়েন্স তৌবগে হায়বগী মতাংদা থিজিন্নবসু থৌরাং তৌরি।

এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরমদা ভলন্টিয়রশিংনা শীজিন্নবা টি-সার্ট লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবী ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম অমদি আই আর সী এস মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাইননা কোভিদ-১৯ থেংননবা চখরিবা এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরমশিংদা ভলন্টিয়রশিংনা শীজিন্নবা টি-সার্ট লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা হায়খি, কোভিদ-১৯ থেংনবদা ভলন্টিয়রশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। মীয়াম্না মীপায়নরিবা লাইচৎ অসি শক্তে দারকপা থিংনবা হোৎনবদা অকিবা লৈতনা কত্থোকপগা লোয়ননা ভলন্টিয়রশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি নীংহন্নদনা মাঙদা চঙশিল্লবদতা লায়না-লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

আই আর সী এসকী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাইনসু ভলন্টিয়রশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু পুক্লিং থৌগৎখি। তুংদা ভলন্টিয়রশিংদা টি-সার্ট য়েন্থোকখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

নান্দেবম প্রমোদা, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়

হৌজিক-হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা পায়খৎলিবা স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়া অসি তশেংনা অফবা খোঙথাং অমনি। লোয়ননা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। মরুওইনা মশিং য়াম্লবা লায়রবা শু-নোমদুনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিং অমসুং তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মফমদা হকথেংননা কান্নবা পীবা ঙম্লবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলকপা থবকশিং মীয়ামদা য়ৌহন্নবা লৈকায়-লৈকায়গী থাক্তা শেম্বা মোনিটরিং সেলশিং হাংদোক্তুনা খুদোংচাবশিং অসি চপচানা ফংহনবা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিলশিং পায়খৎহন্নিংই। চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মীচং-শঙ্গ অমদি ৱাচৎ-ৱানোমগী মফম লৈহন্নিংদে। পোলিটিক্স অমসুং ভোট বেঙ্কগী মীৎয়েং চঙহন্নিংদে। লেপ্পা লৈতনা চাওখৎ থৌরাং কয়া চহী কয়াদগী পায়খৎতুনা লাক্লিবা স্কিমশিং করিগুম্বা ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংলম্লবদি ঙসি লৈবাক অসি য়াম্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইরম্লগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি লমদম অসিদসু ইনাক খুনবা অমদি লাইরবগী পল অদুক্কী মতিক ৱাংনা লৈখ্রে। ওইরিবা ফীভম অসি খুন্নাইগী তুংলমচৎতা অচৌবা ইহৌ অমা থোরক্লবগী মরম অমা ওইরক্কনি। পুকচেল শেংনা থবক তৌবিয়ু হায়জরি।

আর এ মিনাম, তুলিহল ৱার্দ নম্বর - ৪

কোভিদ-১৯গী মমাংদসু নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা চেঙ য়েল্লি। ঙসিসু কোভিদ-১৯গী মিংদা চেঙ য়েনবিরি। অদুবু চেঙ য়েল্লিবা অসিদা লৈবাক মীয়াম্না ঙসিসু অদুমক পেন্দবা কয়া লৈরি। মীরেপশিংনা ভোট মমাংদা হায়খিবা লৈ মদুদি চহী কয়াদগী চেঙ য়েন্দুনা লাক্লিবা অসি লায়রবা কোক্লবগী পান্দমদা য়েল্লিবনি। মরম অদুনা ভোটর খক্তদা চেঙ য়েল্লোই, য়ূমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংগী চেঙ য়েনগনি হায়খিবনি। অদুবু ৱাফম অদু ঙসি ফাওবদা মপুংফানা ঙাকপা ঙম্লবরা হায়বসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। অমরোমদা লায়রবগী মিংদা লৈঙাক্কী থবকসু তৌবা অমসুং শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা হায়রিবা চেঙ অসি ভোটরদা য়েন্দুনা লাইরবশিংগী চাকথুং মৎপদা মতেং পাংলি। অসিগুম্বা লায়রবশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্দবগী থবক তৌবিগনু। নাকল অমরোমদনা লায়রবা মুথৎকনি হায়দুনা পব্লিক মীটিং কয়াদা তত্তনা লাওরি। লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মতৌ করম্না মুথৎপা ঙমগদৌরিবনো? তশেংনা চেঙ পীবগী থৌওং অসি মুন্না য়েংলুরগদি লায়রবশিং শিজখ্রো হায়বগা পাঞ্জক ওইরে। মদুনা করম্না লায়রবা মুথৎপা ঙমগদৌরিবরা? অশেংবা থবক তৌদুনা লায়রবশিংদা চাকথুং ফংহনবিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৯।২০২০ ইং, শগোলশেল; লাংবনগী থাশু।

মেষ: নুংঙাইবা পাউ তাজবা, নচাক নরল চাওখৎপা অমদি ইমুং মনুং নুংশিনবনা হেন্না চাওখৎপা ফংগদবা নুমিৎনি। নচা ননাইগী লমদা নুংঙ্ৱইজবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

বৃষ: অশাওবনা মাংহনবা, ইমুং মনুংদসু ৱাখল তান্নবা ৱাৎপা লৈগনি। ফিংদ্রদি শাফগনি। মরুপ মপাং কাইনবা য়াবা লৈ। অদুনা অনম তানগনু, ৱা ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: হকচাং খিংবা, অরং অরাক লৌশিনবা য়াবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবসু য়াবা অফবা নুমিৎনি। ললোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, কান্ননি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: নুংথিল ফাওবা হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি ললোন ইতিক্তা খুৎ চাওবা য়াদবা লৈগনি। অথেংবদদি মীয়ামগী মতেং ফংদুনা নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

সিংহ: মাই পাকচবা, নিংবা মপা চাবা অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। মীয়াম অমদি তাথিবদি হান্নগুম লৈ। থৌনা ফুদোকপদি ঙসিসু কান্নবা অদুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কাইনদনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কন্যা: ললোন ইতিক কান্নরোই, ৱাফংনরগা চোপ্পা য়াবা অমদি খৎন-চৈনবা নংবা য়াবা লৈ। মোং হাদনা হান্না পাংলকপা থবকতুদং পাংবনা য়াম্না শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ফিংলদি কাইননি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

তুলা: লাইবক ফগনি, নিংবসু থুংগনি, শেন্দোং তানবা য়ান্নগনি অমদি অফবা মিংচৎ ফংগনি। অদুবু পুক্লিং ৱাবা অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- মাই পাকই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃশ্চিক: থবক পাংগনি শেলসু ফংগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। হুরানবনা তাথিবা খরা লৈরসু অহেনবা লৌশিং অমদি মীয়ামগী মতেং য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

ধনু: নুংথিল ফাওবা অশা চাওবা য়াদ্রি। মীপাইনিংঙাই ওইরি। অঙম অথৌনদি তাথিবা ফরনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং খরদি থোক্লনি। অফবা মীংচৎ ফংলনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাংহনগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: ৱা ঙাংবা অমদি হোয়া ফবা য়াদ্রি তপথৌ। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবা লৈগনি। চিন য়াংগনু অমদি অখং অহৈগী ৱা তাবা কান্নগনি। অরুবা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্বা: নিংজবা থুংগনি, ৱাখল য়াম্না থোকপা নুমিৎনি অদুনা খজিক্তং খন্থরদি অরুবা থবকসু লাইনা পাংবা ঙমগনি। হন্থবনা য়েংশিনলি, অতোনবা লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিন: য়াম্না লাইবক ফবা নুমিৎনি। চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি শেন্দোং য়াম্না লৈগনি। মৈনদি তাথিবা য়াবা লৈ অমদি ঙক কনগনু। মীয়াম্নদি চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।